# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 23-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১)  খোংজোম লানগী নীংশিং নুমিৎ পালন ঙসি থৌবাল জিলাগী খোংজোম ৱার মেরিয়েল কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি।

২)  এন.দি.এদা য়াওরিবা এম.এল.এশিংগী ওইবা মীফম অমা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখ্রে।

অমসুং

৩)  কেন্দ্র সরকারনা ওনলাইন গেমিং রুলস ২০২৬ কী প্রোমোসন এন্দ রেগুলেসন ঙরাং ফোংখ্রে।

------

মেসেজ (এল)ঃ  খোংজোম লানগী নীংশিং নুমিৎ পালন ঙসি থৌবাল জিলাগী খোংজোমদা লৈবা খোংজোম ৱার মেরিয়েল কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি। অয়ক পুং ৯ দা খেবা চীংথক্তা লৈবা খোংজোম ৱার মেমোরিয়েলদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা লুচিংদুনা মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং অমদি সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং য়াওনা মীয়ামা লৈ কৎকনি। খোংজোম তুরেলদা রাজ্যপাল অমদি মুখ্য মন্ত্রিনা লুচিংদুনা তর্পন কৎলবা মতুংদা মফম অদুদা পাঙথোকপা নীংশিং থৌরমদা রাজ্যপাল অমদি মুখ্য মন্ত্রিনা ৱা ঙাংগনি।

খোংজোম লানগী নীংশিং নুমিৎনা লাকপদা রাজ্যপাল অমসুং মুখ্য মন্ত্রি য়াওনা লুচিংবা কয়ানা অথৌবশিংবু নীংশিংবগা লোয়ননা মীয়ামদা পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগী পাউজেলদা হায়- নুমিৎ অসিনা লাকপদা মণিপুরগী নীংতম্বা অমসুং ইকায় খুমবা ঙাকবা হোৎনবদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা ইপা ইপুশিং অদুগী থৌনা লিংজেল, মরৈবাক নীংবা অমসুং হনবা লৈখিদবা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোনশিং অদু ঙসিসু নীংশিল্লি। অথৌবা ইপা ইপুশিং অদুগী ৱাখল্লোন তুং ইনদুনা ঐখোয় পুমমক্কী মরক্তা অমত্তা ওইবা অমসুং মপাঙ্গল কনবা খুনাই অমা শেমগৎতুনা রাজ্য অসিদা শান্তি অমদি চাউখৎপগী মাইকৈদা চংশিনমিন্নরশি।

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা পীবা পাউজেল অমদা হায়- মেজর পাউনা ব্রজাবাসি, মেজর চোংথাম মিয়া, চিংলেনসনা, খুম্বোং মেজর, লোইতোংবা জম্মাদার, কৈশা জম্মাদার, হৈরাংখোংজা অমসুং অতৈ অথৌবা কয়ানা বৃটিশ সম্রাইজগী মায়োক্তা থৌনা ফনা লান্থেংনখিবা অদু নুমিৎ অসিনা লাকপদা নৌহৌননা নীংশিংহল্লি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা অপুনবা মণিপুর অমগীদমক ঐখোয় পুন্না লেপমিন্নদুনা থেংনরিবা শিংনবা কয়া মায়োকদুনা ইং তপ্পা, শান্তি লৈবা অমদি চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইহল্লশি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোক্লি।

রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমগী পাউজেলদা হায়- ঐতিহাসিক ওইরবা খোংজোম ৱার মেমোরিয়েলনা ঙসিসু ঐখোয় পুমমক্কী ৱাখলদা নীংতম্বা হায়বসি কৎথোকপা অমসুং মরৈবাক নীংবগী থৌনাশিংনা ফংহনগদবনি, নীদুনা লৌগদবা নত্তে হায়বা ৱাখল্লোন অদু নৌহৌননা নীংশিহল্লি। অথৌবা ইপা ইপুশিংগী ৱাখল্লোন তুং ইনদুনা ইজ্জৎ লৈবা, নুংশি চান্নবা লমদম অমা ওইহল্লসনু হায়নসু শা গোবিনদাসনা ফোংদোক্লি।

তুরিজম, আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি খুরাইজম লোকেন্না পীবা পাউজেলদা হায়- কুমজা ১৮৯১ দা শোকখিবা ঐতিহাসিক ওইরবা খোংজোম লানদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবা ইপা ইপুশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি। লান অদুদা অথৌবা ইপা ইপু কয়ানা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইদুনা কৎথোকখিবা অদুবু নীংশিংদুনা মখোয়গী ৱাখল্লোনশিং তুং ইনদুনা শান্তি অমদি চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইহল্লশি হায়রি।

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা ইম্ফালদা লৈবা মহাক্কী সেক্রেতরিয়েটতা ঙরাং এন.দি.এদা য়াওরিবা এম.এল.এশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিনা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়- রাজ্য অসিদা হৌজিক থেংনরিবা শিংনবা কয়া, মসিনা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা ফিভমদা পীরিবা চৈথেংশিং পুন্না থেংনমিন্ননবগী মতাংদা মীফম অদুনা কুপা খন্ন-নৈনখি। রাজ্য অসিদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংশিং অপিবা মতমগী মনুংদা লোইশিনবা ঙমবগী মতাংদসু মীফম অদুনা খন্নখি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা কুমজা ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা ভারতপু চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনরিবা অসি মঙফাওনহনবা ঙমবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক নিংথিনা পায়খৎনবসু মীফম অদুদা খন্নখি।

পুলিস (এল)ঃ তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ভারত-ম্যান্মার বোর্দর পিল্লর ৭২ অমসুং ৭৩ গী মনাক্তগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

রাজ্য পুলিসকী পাউনা হায়- ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা এ.কে. ফোরতিসভেন রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা করবাইন অমা, আই.ই.দি বোম মরি অমসুং মোটোরোলা রেদিও সেট অনি য়াওরি। আই.ই.দি বোমশিং অদু অশোই অঙাম য়াওদনা পোকখায়হন্দুনা মাংহনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, কাংপোকপী জিলাগী সাইকুল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তিংপীবুং ভিলেজ, লুংতর হিল অমসুং লেপলেন্দ ভিলেজদা শারম্বা বঙ্কর ৬ সেক্যুরিতি ফোর্সনা থুগাইদুনা মাংহনখ্রে হায়রি।

রেল্লি (এল)ঃ ত্রোংলাউবী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা হৌখিবা অহিংদা মফম কয়াদা মীয়ামা খোঙজংশিং চংশিন্নখি। ইম্ফাল ইষ্টকী নিউ চেক্কোন এরিয়াদা নুমিদাংদা মফম অদুগী মশিং য়াম্লবা মীয়ামা শরুক য়াদুনা মৈরাগী রেল্লি চৎখি। মফম খরদদি লম্বীদা তয়ার মৈ থাদুনা খোঙজং চংশিনখি। খোঙজং

চংশিল্লিবশিং অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সকী মরক্তা মুকবা থোরকপদগী তিয়ার গ্যাস কাপ্তুনা মীয়াম তানখায়নবা হোৎনখি।

থৌবাল জিলাগী মালোম, লৈরোংথেল, ফানজাখোং, ময়াই কৈথেল, পিত্রা, চন্দ্রখোং অমদি নিংঙেলগী অকোইবদা মফম অদুগী মীয়ামা মৈরাগী রেল্লি চৎখি। চীংনুং মমাং অপ্নবা মৈরা পায়বী লুপনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ত্রোংলাউবীদা অঙাং অনি তমথিনা হাৎখিবা য়ানিংদে, টি.এম. কসোমগী মীহাৎ য়ানিংদে, মরাল লৈবশিং পুথোকউ অমসুং লোং লিভ মণিপুর হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

গেম ঃ কেন্দ্র সরকারনা ওনলাইন গেমিং রুলস ২০২৬ কী প্রোমোসন এন্দ রেগুলেসন ঙরাং ফোংখ্রে। চৎন-পথাপশিং অসি মথং থাগী ১ দগী লৈবাক অসিদা চৎনবা হৌগনি। থৌরাং অসিদা ওনলাইন গেমিংগী মতাংদা নাগরিকশিংবু অশোই অঙাম য়াওদনবা নিংথিনা ঙাক শেনবা অমসুং মখোয়গী শেল থুমগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং নিংথিনা য়েংশিন্নবা ৱাফমশিং য়াওরি।

মীখল ঃ নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক অমসুং তামিলনাদু বিধান সভা মীখলগী ভোৎ ঙসি থাদনরি। রাজ্য অনি অসিগী ভোৎ থাদনবা ঙসি অয়ুক পুং ৭ তগী হৌখ্রে। নুংথিল পুং ৬ ফাওবা ভোৎ থাদনগনি।

নোংচুপ বেঙ্গলগী অহানবা তাঙ্কক অসিদা জিলা ১৬ কী বিধান সভা কেন্দ্র ১৫২ দা ভোট থাদনরি। তাঙ্কক অসিদা মীরেপ লিশিং ১,৪৭৮ না লম্বা থেংনরি। নোংচুপ বেঙ্গলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোৎনা লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা থাদনগনি।

অমরোমদা, তামিলনাদু বিধান সভাগী তাঙ্কক অমখক্তদা পাঙথোক্লিবা মীখল অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ২৩৪ দা ভোৎ থাদনরি। মীখল অসিদা ভোতর কোতি ৫ লাখ ৭৩ লিশিং ৪৩ হেনবনা মীরেপশিংগী মরাইবক লেপকনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

ত্রোংলাউবী অমসুং টি.এম. কসোমদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মায়োক্তা পাক শন্না চংশিনখিবা খোঙজংশিং, ঙসি পাঙথোক্কদবা খোংজোম ডে নুমিৎকা মরী লৈনবা পাউশিং অমসুং চীফ মিনিষ্টরনা চেয়ার লৌদুনা লো এন্দ ওর্দরগী মতাংদা এন.দি.এ মীফম পাঙথোকখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

চীফ মিনিষ্টরনা চেয়ার লৌদুনা মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর সিচুয়েসনগী মতাংদা এন.দি.এগী ওইবা মীফম পাঙথোকখিবগী পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইদিসন অনিমক্কী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

বোইকোট হন্দোকপা লৈতে, এপ্রিল ২৫ দা পিপল মুভমেন্ট চথুরগনি হায়না কোকোমিনা ফোংদোরকপা ৱাফম অসিগা লোয়ননা গভর্নমেন্টনা হায়রক্লবসু কোকোমিগীদি ৱারী শান্ননবগী ফিরেপ লৌবা লৈত্রি হায়বা পাউ অসিনা বোক্স  আইটেম ওইনা পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ত্রোংলাউবী অমসুং টি.এম কসোমগী মীহাৎশিংগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম অমদি তোঙান তোঙানবা খোঙজংশিং লেপ্তুনা চথুরি হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইনদা ত্রোংলাউবী থৌদোক্তগী নৌহৌননা চাক্লকখিবা মৈ মুথুৎপা ঙমদ্রি, খোঙজং কয়া চংশিন্নরি, মখা তানা চংশিল্লক্কদৌরি, লৈঙাকা মণিপুর পুলিসতা অহেনবা পৱার পীখ্রে হায়না ফোংলি।

মারজর এগ্রিমেন্ট অমুক হন্না রিভিউ তৌবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না সেনিয়র এদভোকেট খাইদেম মনিনা ফোংদোকপা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ঙসি খোংজোম ডেগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউনা মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

যুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা চখুরিবা টোতেল সটদাউনগী অনিসুবা নুমিৎতা ঙরাং পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকখিবা লৈতে হায়বা পাউন তমেংলোং টাইমস অমসুং হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী মরুওইবা পাউ ওইরি।

উখ্রুলগী সিনাকৈথেলদা কুকি মিলিটেন্টনি চিংনবশিংনা নোংমৈ কাপ্লকপদা ভিলেজ ভোলুন্তিয়ার অমা শোক্লে হায়বা পাউ গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------